# নোর্থ কোরিয়ানা য়ুএসকী মেনলেন্দ য়ৌশিনবা ঙম্বা আই সি বি এম অমা চাংয়েং তৌখ্রে

টোকিও, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): নোর্থ কোরিয়ানা য়ুএস মেনলেন্দদা হিট তৌবা ঙমগদবা অশানবা কন্টিনেন্টেল ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপখ্রে হায়না জপানগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

জপানগী মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না মিসাইল অদু হোকাইদোগী নোংচুপলোমদা কিমি ২১০ রোম লাপ্না সমুদ্রদা তাশিনখি। য়ুএসনা মিসাইল লোঞ্চ অদুবু কন্দম তৌখিবগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়ানা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা হেন্না কনবা দিটরেন্সকী থৌরাংশিং লৌখৎনবা ওর্দর তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, করিগুম্বা য়ুএস মিলিটরি ফোর্স লমদম অদুদা লৈরিবা য়ুএস মিলিটরি ফোর্সকী পর্সনেল অমদি খুৎলায়শিং লেপ্তুনা হেনগৎহনবা তারবদি শাথিবা রেস্পোন্স লাক্কনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর চো সোন হুইনা ৱার্নিং তৌখিবনি।

নুমিৎতুমক্তদা পিওংয়াংনা সোর্ট-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল অমসু লোঞ্চ তৌখি। হৌরক্লিবা খোঙথাং অসি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওল, য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিও কিসিদাগী মরক্তা কম্বোদিয়াদা মীফম অমা পাঙথোকখিবা মতুংদনি।



মীফম অদুদা লৈবাক অহুম্না মখোয়গী মিলিটরি কো ওপরেসন হেনগৎহনবগী ৱাফম য়ানখি। ওইরক্লিবা ফিভম অদুগা মরী লৈননা য়ুএস নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্স পার্সন এড্রিন ৱাটসন্না প্রসিদেন্ট বাইদেনদা ব্রিফ তৌখ্রে অমসুং য়ুএসনা পার্টনরশিংগা তান্নরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা থা অনীরোমগী মতমদা মিসাইল ৫০ হেন্না কাপখি। মিসাইলশিং অয়াম্বনা অতেনবা রেঞ্জকীনি। অশাংবা রেঞ্জকী লোঞ্চশিং অসিদি খরা তাংনা থোকই অমসুং য়ুএসতা অসিগুম্বা রেঞ্জকী মিসাইলশিংনা হকথেংননা অকিবা পীরি।

মিসাইলশিং অদু য়ুএস মেনলেন্দগী মফম খুদিংমক্তা মফম খুদিংমক য়ৌনবা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিং পুবা ঙম্মী। সিওলদা মিলিটরি চীফশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা খ্বাইদগী নৌনা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম) অদু লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ১০.১৫ রোম তাবদা নোর্থ কোরিয়াগী কেপিটেল পিওংয়াংগা নক্লবা মফম অমদগী কাপখি। মিসাইল অদু কিমি ৬১০০ ৱাংখৎনা পাইখি অমসুং মার্ক ২২ গী স্পিদকা লোয়ননা হোরাইজেন্টেল ওইনা কিমি ১০০০ ফাওবা য়ৌখি।

তৌইগুম্বসুং জপানগী দিফেন্স মিনিষ্টর য়াসুকাজা হমাদানা মিসাইল অদু য়ুএস য়ৌবা ঙমগদবা মওংদা মতিক চানা শান্না পায়বা ঙম্মী হায়খি। মিসাইল অদুগী ট্রাজেক্টরিগী কালকুলেসনদা য়ুম্ফম ওইবা ইনৌ নৌবা বেলেষ্টিক মিসাইল অদুগী রেঞ্জ ৱারহেদকী মখা পোন্না কিমি ১৫,০০০ ফাওবা শান্না পাইবা ঙমগনি। মদু ওইবা তারবদি মিসাইল অদুগী রেঞ্জ অদু য়ুএস মেনলেন্দদা হিট তৌবা ঙমগদবগী চাংনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থাইলেন্দদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবা প্রাইম মিনিষ্টর কিসিদানা অসিগুম্বা এক্সনশিং ঐখোয়না খাঙবা ঙম্লোই হায়না পিওংয়াংদা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে। নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা থা কয়া অসিদা উৎখিবা থৌওংদি কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী অকোয়বদা য়ুএস মিলিটরিগী এক্তিভিটি লৈরবদি মদুগী পাউখুম ওইনা মিসাইলশিং লোঞ্চ তৌবা অসিনি।

হৌখিবা ওক্তোবরদা নোর্থ কোরিয়ানা জপান লান্না বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপখি। মদু চহী মঙাগী মনুংদা অহানবা ওইখি। নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিক অনৌবা টাইপকী অশানবা মিসাইল মখল অমা ওইনা হ্বাটসহোং-১৭ পুথোক্লবা হোৎনরিবনি। মিসাইল অসি হৌখিবা মতম খরা অসিদা পিওংয়াংনা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখিবা আই সি বি এমশিংদগী হেন্না চাওই।

মিসাইল অসি ৱারহেদ কয়ামরুম পুবা ঙমগদবা ওইবনা দিফেন্দ তৌবদা ৱানা থোক্কনি হায়না এক্সপার্টশিংনা থাজরি।

# গাজাগী রিফ্যুজি কেম্পতা মৈ চাক্লকপদগী অঙাং তরেৎ য়াওনা মীওই ২১ শিরে

রমালা, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা গাজা ষ্ট্রিপকী রিফ্যুজি কেম্প অমগী মনুং চনবা মী লৈনবা বিল্ডিং অমদা মৈ চাওনা চাক্লকপদগী অঙাং ৭ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ মৈনা কানা চাক্তুনা শিখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



গাজা ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা নোর্দন গাজাগী মী কুংলবা জবালিয়া রিফ্যুজি কেম্পদা মৈ অদু চাক্লককখিবনি। মৈরি কয়া থোক্লা চাক্লিবা মৈজাও অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা ফায়র ফাইটরশিংনা পুং ১ হেন্না কন্না হোৎনখি।

মরু ওইনা মৈ অদু মথোল মরিগী মী লৈনবা য়ুমগী টোপ ফ্লোরদা চাকখিবনি। প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসনগী মতুং ইন্না বিল্ডিং অদুগী মনুংদা পেট্রোল মরাং কায়না থম্বা ওইবনা মৈ অদু চাওনা চাক্লকখিবনি। বিল্ডিং অদুদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক শিখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। মীওই কয়া মৈ চাক্লবা বিল্ডিং অদুগী মপানদা কপ লাউদুনা লৈবা উখি। ভিক্তিমশিংগী মরী মতাশিং লম্বীদা কপ্লখি অমদি লাই খুরুম্নখি।


শাথিরবা মৈহৌ লাংপোক অদুবু উহৌবা মীওই অমনা বি বি সিদা ফোঙদোকখিবদা মৈহৌ লাংপোক অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা য়াম্না খুদোংচাদবা ওইখি। নুপী অমসুং অঙাংশিং কনবা ঙম্বগী পাম্বৈ অমত্তা লৈতবা মখৈ পুংকা কানা চাক্তুনা শিখি। পলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিগী প্রসিদেন্ট মহমুদ অবাসনা থৌদোক অদুবু নেসনেল ট্রেজদি অমনি হায়রদুনা ভিক্তিমশিংগীদমক্তা নোংমা চুপ্পা অৱাবা ফোঙদোক্লগনি হায়না লাউথোকখি। জবালিয়া অসি গাজদা লৈবা রিফ্যুজি কেম্প নিপানগী মনুংদা অমনি। মীওই মিলিয়ন ২.৩ লৈরিবা গাজা অসি মালেমগী খ্বাইদগী মী কুংনা তাবা মফমশিংগী মনুংদা অমনি।

সি এন এনগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না গাজাদা লৈবা ইমুং কয়া জেনরেটরশিং চল্লাইবদা শীজিন্নবগীদমক পেট্রোল অমসুং দিজল পৈশিন্দুনা থম্মী। মদু টেরিটরি অদুদা শুপ্নগী পৱার ষ্টেসন অমখক লৈবা অমদি নোংমদা পুং ৮ দগী হেন্না মৈ পীবা ঙমদবদগীনি হায়রি।

লোকেল ছোর্সশিং অমসুং উহৌবশিংগী মতুং ইন্না শাথিরবা মৈহৌ লাংপোক থোক্লিবা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং অদু অবু রয়া ইমুংগীনি। মখোয়না ইমুংগী মীওই অমা মতম শাংনা ইজিপ্টতা লৈরুবদগী হল্লকপগী সেলেব্রেসন চথরিঙৈদা মৈহৌ লাংপোক অদু থোরকখিবনি। গাজা ষ্ট্রিপতা লৈবা হোস্পিটাল অমগী দিরেক্তরগী মতুং ইন্না অশোকপশিংগী ফিভম লুবনা মরম ওইদুনা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই।

# য়ুক্রেনগী এক্সপার্টশিং পোলেন্দদা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইক থিজিনবদা য়াওরগনি

কিভ, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা পোলেন্দদা মিসাইল অমা কাপ্লককখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবদা য়ুক্রেনগী এক্সপার্টশিংসু শরুক য়াগনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা লাউথোকখ্রে। মিসাইল ষ্ট্রাইক অদুদা মীচম অনী শিখিবনি।



প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ইনভেষ্টিগেসন অদুদা ঐখোয়গী স্পেসেলিষ্টশিং শরুক য়ারগনি হায়বগী কনফার্মেসন ঐখোয়না ঙরাং হায়বদি য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফঙখি।

ইনভেষ্টিগেসন অদু মপুং ফানা লোইশিন্দ্রিবমখৈ পোলেন্দগী লমদা মিসাইলশিং নত্ত্রগা মখোয়গী পার্টশিং তাশিনখি হায়বসি ঐখোয়না চপ চানা হায়বা ঙম্লোই।

জেলেন্সকিনা মখা তানা হায়খি, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা মিসাইল ১০০ রোম কাপ্লকখি। রসিয়ানা কাপ্লক্লিবা মিসাইলশিং অদুগী মনুংদা খরা য়ুক্রেনিয়ন-পোলিস বোর্দর লাল্লম্বা য়াই হায়না মহাক্না থাজে। ঐখোয়না ফনেল দাইমেটরগী পিকচরশিং উখি। অদুনা পোৎশক অদু এন্টি মিসাইল সিষ্টেমশিংগী শরুক খক্তনি হায়না লৌবা য়ারোই। কিভনা পোলেন্দগী বোর্দর এরিয়াশিংদা পোকখায়খিবদুগী মফমদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী রিপ্রজেন্টেটিবশিং অমদি ইমর্জেন্সি সার্ভিসকী মীওইশিং চঙবা য়াহন্নবা কিভনা হায়জখ্রে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা য়ুক্রেনগী নেসনেল সেক্যুরিটি এন্দ দিফেন্স কাউন্সিল (এন এস দি সি) গী সেক্রেটরি ওলেক্সি দানিলোবনা ফোঙদোকখ্রবনি।

য়ুক্রেনগা তাইনবা পোলেন্দগী বোর্দরদগী কিমি ৬ রোম লাপ্না পঞ্জেৱোদোদা লৈবা ফার্ম অমদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা পোকখায়খিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন লেপ্তুনা চথরিঙৈ মরক্তা জেলেন্সকিনা ৱাফম অসি লাউথোরকপনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দা লান্দাবা হৌখিবদগী থা মাপনগী মতমদা রসিয়ানা চথরকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিংনি হায়না থাজনখিবা থৌদোক অমগী মতুং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা য়ুক্রেনগী এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিং এক্তিভেট তৌখি।

থৌদোক অদুগী পাউখুম ওইনা পোলেন্দগী প্রসিদেন্ট অন্দর জেস দুদানা মদু এক্সিদেন্ট অমনি হায়রদুনা ৱারশোনা থৌদোক অদুবু মহাক্কী লৈবাক্তা অতম্লনা এটেক তৌবনি হায়না লৌদে হায়খি।

মিসাইল অদু য়ুক্রেনগী এয়র দিফেন্স ফোর্সনা কাপ্লকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বগী থাজবদা য়ুম্ফম ওইরগা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলটনবর্গনা মিসাইল অদু য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সেসনা কাপ্লকখিবা মাল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

# ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিএটিব রিন্যু তৌখিববু য়ুএন চীফনা তরাম্না ওকখ্রে

য়ুএন, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): ব্লেক সী গ্রেন্ট ইনিসিএটিব মতম খরা লেপ্লুরবা মতুংদা রিন্যু তৌখিববু য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা তরাম্না ওকখ্রে।

খোঙথাং অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা দিল অদুগী খ্বাইদগী মরু ওইবদি মদুনা মালেমগী ওইবা চিঞ্জাক্কী ক্রাইসিস অমা থিংবা ঙম্মী হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা ব্লেক সীগী পোর্টশিংদগী হৱাই চেঙৱাইশিং অমসুং ফর্টিলাইজর এক্সপোর্ট তৌবগী দিল নুমিৎ ১২০ শাংদোকহনবগী ৱাফম শগোলশেল নুমিত্তা য়ানখি। রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী লান মরক্তা মালেমগী মার্কেটশিংদা সপ্লাইশিং ৱাৎহন্দনবগী পান্দমগা লোয়ননা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াদগী হৱাই চেঙৱাইশিং অমদি ফর্টিলাইজর থাদোকপা য়ানবগী দোক্যুমেন্ট অমা হৌখিবা জুলাই ২২ দা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা ইষ্টানবুলদা টর্কিগা লোয়ননা তোঙান তোঙান্না খুৎয়েক পীনখিবনি।

দিল অদুগী অহানবগী মতম অদু নুমিৎ ১২০ নি অমসুং নবেম্বর ১৯ দা মতম লোইগদবনি। ষ্টেটমেন্ট অমদা পার্টি খুদিংমক্না দিল অদুবু অমুকসু শাংদোক্লবগী ৱাফম য়ানখিবা অদুনা য়ুক্রেনদগী হৱাই চেঙৱাইশিং, অতৈ চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং অমদি ফর্টিলাইজরশিং মপানগী মার্কেটশিংদা পুথোরকপদা খুদোংচাহল্লগনি হায়রদুনা গুটরেজনা খোঙথাং অদুবু তরাম্না ওকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি য়ুএননা রসিয়াদগী চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অমসুং ফর্টিলাইজরশিং এক্সপোর্ট তৌবদা মখা তানা লৈরিবা খুরৌশিং মপুং ফানা লৌথোক্লবা থবক তৌগনি। থা অহুমগী মমাঙদা ইষ্টানবুলদা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রিমেন্ট অনীমক চিঞ্জাক অমদি ফর্টিলাইজরগী মমলশিং হন্থহনবা অমদি মালেমগী ওইবা চিঞ্জাক্কী ক্রাইসিস অমা থোকহন্দনবগীদমক য়াম্না তঙাই ফদে।

ব্লেক সী গ্রেন্ট ইনিসিএটিব অসিনা মল্টিলেটরেল সোল্যুসনশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা চেকশিনবগী মতৌ উৎপা দিপ্লোমেসিগী তঙাই ফদবা লৈ হায়বসি উৎলি হায়না য়ুএন চীফনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্তোরিয়া ষ্টেটকী ইলেক্সনদা ইন্দো-ওষ্ট্রেলিয়ন কেন্দিদেট ৫০ হেনবনা কন্টেষ্ট তৌরি

মেলবোর্ন, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্তোরিয়া ষ্টেটকী নবেম্বর ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্কী অমদি ইন্দিপেন্দেন্টশিং থারগা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা কেন্দিদেট ৫০ হেনবনা কন্টেষ্ট তৌগদৌরি।



কেন্দিদেটশিংদুগী মনুংদা মীওই কয়া হৌখিবা ওক্টোবরগী অঙনবা শরুক্তা কৌসেলিয়া বাগেলা কৌবা ভিক্তোরিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী অহানবা ইন্দিয়ন ওরিজিন মেম্বর অমনা লোঞ্চ তৌখিবা ন্যু দিমোক্রেটস পার্টিগীনি। প্রেমিয়র দেন্যুএল এন্দ্র্যুসনা লূচিংলিবা হৌজিক্কী লেবর গভর্ণমেন্টনা থংন থংননা অহুল্লকশুবা ওইনা চহী মরিগী টার্ম অমগসু পাইননবা হোৎনরিবনি। মহাক্কী গভর্ণমেন্টবু ইন্দিয়ন ওরিজিন কেন্দিদেট তরারোম লৈবা লিবরেলশিংনা চেলেঞ্জ তৌরি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

ষ্টেট অসিদা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্মনবগীদমক পার্টি অমনা লৱার হাউসকী সিট ৪৫ পায়বা ঙমগদবনি। এদভোকেসি গ্রুপ সেন্টর ওফ মল্টিকলচরেল পোলিটিকেল ইনগেসমেন্ট, লিটরেসি এন্দ লিদরশিপকী মতুং ইন্না কুমজা ২০২২ গী মেদা পাঙথোকখিবা ফেদরেল ইলেক্সনদা লিবরেল পার্টিনা কল্লরগী কেন্দিদেট মশিং খ্বাইদগী য়াম্মী।

মেলবোনগী সবার্ব অমা ওইরিবা টর্নেটকী ইন্দিয়ন-ওরিজিন লিবরেল কেন্দিদেট প্রিট সিংহনা হায়রি, মদুদি করিগুম্বা মীখলদা মায় পাক্লবদি মহাক্না এরিয়া অদুগী ট্রান্সপোর্ট অমদি লম্বী থোংশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনগনি। সিংহনা লেবর পার্টিগী দাইলান হ্বাইট, ন্যু দিমোক্রেটসকী জয়দিপ পটেল অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন গ্রিন্সকী ক্লেয়র মিল্লরগা লম্বা তৌনগনি।

মাইগ্রেসন এজেন্ট অমা ওইনা থবক তৌরিবা লেবর্টনগী লিবরেল কেন্দিদেট রাজা রেদ্দিনা লেবর পার্টিগী মাইকেল ৱির্থ, ন্যু দিমোক্রেটকী গ্রুনিট শোনি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন গ্রিন্স পার্টিগী ব্রাইসনা দুর্জাদাগা লম্বা তৌনগনি। অতৈ ইন্দিয়ন-ওরিজিন কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা দিপক ভান্সাল (ৱেষ্টর্ন মেট্রো পোলিটান রিজন, ব্রিজেস চোপ্রা (নোর্দন ভিক্তোরিয়া রিজন), স্বেটালি সাৱন (পোইন্ট কুক, মঞ্জুনথা হনুমন্থরেয়পা (সাউথ ইষ্টর্ন মেট্রো পোলিটান রিজন), জগদিপ সিংহ (ক্রানবোর্ন), মনিস পতেল (কোরিয়ো), সাহিল তোমার (বুন্দুরা), বিক্রম সিংহ (কালো), জোজ পলাকলোদি (মেলবোর্ন) অমসুং গুরুদ্বার সিংহ (থোমাস টাউন) য়াওরি। ওষ্ট্রেলিয়ন ব্যুরো ওফ ষ্ট্রেটিষ্টিক্স (এদিএস ২০২১) সেন্সসকী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৩.১ ওইরিবা মীওই ৭৮৩,৯৫৮ ইন্দিয়াদগী হৌরকখি।

# প্লেন কাপথখিবগা মরী লৈননা মীওই অহুম পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

হেগ, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৪ দা য়ুক্রেনগী নোংথক্তা মালেসিয়ন এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট এমঐচ ১৭ কাপথখিবগা মরী লৈননা দটচ জজশিংনা সস্পেক্ট অহুম মশা য়াওদনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

থৌদোক অদুদা এয়রক্রাফট অদুদা তোংলিবা মীওই ৮৯৮ মক শিখিবনি। শগোলশেল নুমিত্তা জজশিংনা দোনেটস পিপলস রিপব্লিক্কী মিলিটরি লিদর ইগোর গিকিনবু মিসাইল দিপ্লোই তৌবগী অমদি রসিয়াগী মতেং লৌনবা হোৎনখিবগী কনভিক্সন পীখি। সর্গি দুবিন্সকি কৌবা মীওই অসিনা বুক মিসাইল লোঞ্চর ট্রান্সপোর্ট তৌনবা ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা মদুবু য়েংশিনখিবগী মরাল লৈ হায়খি অমদি লিওনিব খার্সেনকোপ হায়রিবা অসিনা দুবিন্সকিগী ইন্সট্রক্সনদা বুক য়েংশিনখিবগী মরাল লৈ হায়খি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি রসিয়ন সিটিজন অমা ওইরিবা ওলেক পুলাতোপ কৌবা মরিশুবা সস্পেক্ট অমসু মশা য়াওদনা একুট তৌখি। মহাকসু মিসাইল অদুগী মরমদা খঙখি হায়রদুনা জজশিংনা মহাকপু একুট তৌখিবনি। মখোয়গী সেন্টেন্সশিং অদু আর্মষ্টরদামগা নক্লবা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনবা কোর্ট হাউস অমদা ভিক্তিমশিংগী মরী মতাশিং য়াওনা পুং ২ রোম চুপ্পা হিয়ারিং চথরবা মতুংদা লাউথোকখিবনি।

রুল্লিং অদুগী সম্মরিনা হায়রিবদি, কোর্টনা ফ্লাইট এম ঐচ ১৭ অদু য়ুক্রেনগী পার্বোমাইস্কি ভিলেজগা নক্লবা লৌবুক অমদগী কাপ্লকপা বুক মিসাইল অমনা হিট তৌখিবনি হায়বসি প্রুভ তৌরে হায়না লৌই। রুল্লিং অদু নেদরলেন্স, বেলজিয়ম, য়ুক্রেন, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং মালেসিয়াগী মরক্তা শেমখিবা জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম (জে আই টি) না কন্দক্ট তৌখিবা মমাঙগী স্ক্রুটিনিগী ফাইন্দিংশিংগা চান্ননা পীখিবনি। রুল্লিং অদুগী মতুং ইন্না ফ্লাইট এম ঐচ ১৭ কাপথখিবগী থৌদোক অদুদা সস্পেক্ট অহুম অসিনা ফিল্ড ৱার্ক পাঙথোকপা শিল লাংবা, গাইদেন্স পীবনচিংবা তৌদুনা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌখি।

# ওমানদা নুপীশিংবু সেক্স ৱার্করশিং ওইনা ওক্সন তৌখিবগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে

কলম্বো, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): ওমানদা থবক ফঙহনগনি হায়না পুখিবা শ্রী লঙ্কাগী কাঙবু অমবু সেক্স ৱার্করশিং ওইনা ওক্সন তৌখি হায়বা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিং ফাননবগী প্রোব অমা হৌরে হায়না ইৱাই নুমিত্তা শ্রী লঙ্কাগী মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন সার্ভিসেস অমসুং এয়রপোর্টতা থবক তৌবা ওফিসল খরা য়াওনা রেকেট অদুদা চেন্নবা মীওইশিং প্রোব অদু চথদুনা ফারগনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফোরেন এমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর মনুসা নানায়করানা পার্লিয়ামেন্টদা হায়খি, মদুদি ভিক্তিম অয়াম্বা টুরিষ্ট নত্ত্রগা ভিজাশিং পায়রগা মিদ্দল ইষ্টতা পুখি। ফেক এজেন্টশিং, ইম্মিগ্রেসন দিপার্টমেন্টদা লৈবা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং অমসুং এয়রপোর্টতা থবক তৌরিবশিং য়াওনা রেকেট অদুদা চেন্নবশিং ফাননবগী মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা হৌরে হায়না নয়ায়করানা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না শ্রী লঙ্কন নুপীশিং অদু দুবাই ফাওরগা ওমানদা পুখি অমসুং তোঙান তোঙানবা থবক মফমশিংদা য়োন্থোকখি। মফমশিং অদুদা মখোয়বু তোঙান তোঙানবা হরাসমেন্টশিং পীখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কমপ্লেন্ট তোইরকপদগী শ্রী লঙ্কানা মখা তানা নোটিস থোক্ত্রিবা ফাওবা টুরিষ্ট ভিজাশিং শীজিন্নরগা থবক তৌনবগীদমক ওমানদা চৎপদা অথিংবা থমখি।

ওমানদা হাউসমেইদ অমা ওইনা থবক তৌনবগীদমক্তা চৎখিবা নুপী অমনা থাঙ্গৎলকখিবা রেপকী কমপ্লেন্ট অমগা মরী লৈননা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ওমানদা লৈবা শ্রী লঙ্কান এম্বেসিদা থবক তৌবা লেবর ওফিসার অমসু সস্পেন্দ তৌখ্রে।


IN THE COURT OF THE
SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 896/SDC/NBL of 2022**

Lairenjam Thambalmarik Devi, W/o (L) L. Yaima Singh of Utlou Awang Leikai - Petitioner

-Vrs-

(1) Lairenjam Ahanjao Singh, S/o (L) Sheilya Singh of Utlou Awang Leikai

(2) -Do- Yaima Singh Singh, S/o (L) Ahanjao Singh of -Do-

(3) -Do- Jiten Singh, S/o -Do- of -Do-

(4) -Do- Debashwor Singh, S/o -Do- of -Do- - O.P.

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

Dtd. 18/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 16-Utlou Patta No. 260 (Old) 336 (New) Dag No. 58 Area 0.76 Class Ingkhol হায়রিবা Co-Patta No. 1 & 2 অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মথক্কী Petitioner অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/5016/19



IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
HEINGANG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 919/SDC/Hng/IE/2022**

(1) Laiphrakpam Achouba Singh S/o (L) L. Nitai Singh of Kontha Ahallup Awang Leikai

(2) Laiphrakpam Jadumani Singh of S/o (L) Nitai Singh of -do- -Petitioner

-Vrs-

(Late) Laiphrakpam Nitai Singh, S/o (L) L. Padon Singh of Kontha Ahallup - O.P.

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

Dated : 18-11-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং. ৬ নং-কোন্থা অহল্লুপতা লৈবা অরিবা পাট্টা নং ২৩ অনৌবা পাট্টা নং ১১১, দাগ নং ৩৪১, এরিয়া ০.৪৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী (শিং) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C., Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C., Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.

HL-P/5014/19



IN THE COURT OF THE
SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 898/SDC/NBL of 2022**

(1) Golmei Luckyson Rongmei, S/o (L) Golmei Gaishingpu of Maibam Chingmang

(2) Golmei Gaipu, S/o -Do- of -Do- - Petitioner

-Vrs-

(1) Golmei Gaishingpu, S/o G. Buibui of Maibam Kabui Khun

(2) Golmei Nungshitombi Kabuini, W/o Golmei Gaishingpu of Maibam Kabui Khun - O.P.

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

Dtd. 18/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23-Maibam Patta No. 637 (Old) 479 (New) Dag No. 1517 Area 0.13 Class Ingkhol হায়রিবা Co-Patta No. 1 অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিশিংনা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মথক্কী Petitioner অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/5016/19



IN THE COURT OF THE
SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 897/SDC/NBL of 2022**

Lairenjam Jiten Singh, S/o (L) L. Ahanjao Singh of Utlou Awang Leikai - Petitioner

-Vrs-

(1) Lairenjam Ahanjao Singh, S/o (L) Sheilya Singh of Utlou Awang Leikai

(2) -Do- Mani Devi, W/o Ahanjao Singh of -Do-

(3) -Do- Jiten Singh, S/o (L) L. Ahanjao Singh of -Do- - O.P.

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

Dtd. 18/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 16-Utlou Patta No. 159 (Old) 453 (New) Dag No. 153 Area 0.71 Class Phourel হায়রিবা Co-Pattadar No. 1 & 2 অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মথক্কী Petitioner অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/5016/19



IN THE COURT OF THE
SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 894/SDC/NBL of 2022**

(1) Chingakham Anandi Devi, W/o Naorem Deben Singh of Leimapokpam Makha Leikai

(2) Naorem Apabi Devi, W/o N. Muhindro Singh of -Do-

(3) Naorem Tomba Singh, S/o (L) N. Babu Singh of -Do-

(4) Thounaojam Sushila Leima W/o Th. Ranjit Meitei of -Do- - Petitioner

-Vrs-

(1) (L) Naorem Babu Singh, W/o (Late) N. Kriti Singh of Leimapokpam - O.P.

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

Dtd. 18/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12-Leimapokpam গী Patta No. 12/100 (O) 12/513 (N) Dag No. 1665 Area 0.095 acre Class Ingkhol হায়রিবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/5015/19